**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০২-০৯-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথরি। লালহৌবশিং অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) দিজিতাইজেসন অমসুং আর্তিফিসিয়েল ইন্তেল্লিজেন্স অসি মহৈ মশিং তম্বগী করিকুলমগী শরুক অমা ওইরগনি হায়না কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ স্পিচ এন্দ হিয়ারিংনা অনৌবা ৱাখলোন অমসুং টেকোলোজি পুথোক্তুনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনগদবনি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক মখা তানা চথুরি।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়- মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা কৈশাল ভিলেজ ওর্গনাইজেসন হায়বা কাংলুপ অমগী মীওই ৪ ফাগৎখি। মখোয় আইননা য়াদবা মওংদা খূৎলাই পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা এ.কে রাইফল ২, এ.কে ঘতক রাইফল ২, ইন্সাস রাইফল ১, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর ৩, নাইন এম.এম কার্বাইন ২, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ৪, দিফেক্তিভ নাইন এম এম পিষ্টোল ১, সভেন পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম এমগী ইন্সাস রাইফল ২, নোংমৈ মরু, পোখাইবা য়াবা পোৎলমশিং অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, নম হাদুনা শেনখাই থুমখাই তৌবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিং চথরকপা মীওইশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরি। সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী গৌরনাগর এরিয়াদগী প্রিপাককী লালহৌবা অমা ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ইরানফম থোংখোঙদগী কে.সি.পি(নোয়োন)গী লালহৌবা অমসু ফাগৎখি। মখা তানা নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা লিলোং হঙ্গামথাবীদগী নিশাগী পোৎলমশিংগা লোয়ননা মীওই ২ ফাগৎখি। মখোয় অনিদগী কিলোগ্রাম ৩ মেথামফেতামাইন দব্লিয়ু ৱাই তেব্লেটস, শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ২ লিশিং ৪,৮০০, মোবাইল ফোন ৬ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা বফেলো ফার্মদগী দি.আই.সি লিকর চাওরাকা লিতর ২৬০ রোমগা কোন্ননা মীওই ২ সু ফাগৎখি।

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ৬৬ শুবা ইন্দিয়ন ওইল ডেগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহমপুর খোঙমন মাংজিলদা লৈবা আর.বি.দি ইন্দিয়ন সর্ভিসতা নুমিৎ অসি ফ্যুললিং ইন্দিয়াস সস্তেনেবল ফ্যুচর হায়বা হীরমদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা, আর.বি.দি ইন্দিয়ন সর্ভিসকী মপু গুরুময়ুম রোবিন্দ্রো শর্মনা হায় ইন্দিয়ন ওইল কোরপোরেসনগী পাউতাক মতুং ইন্না এল.পি.জি কঞ্জুমরশিংনা শিজিন্নরিবা গ্যাসকী হোসপাইপশিং চহী ৫ বু শুরবদি শুংশোই শোইদনা শিন্দোক্কদবনি।

**রেল্লি (এল)ঃ** নোনে জিলাগী রেংপাং স্ত্রিম ওইল পম্প মনাক্তগী দুইদাই পাঙৌ স্ত্রিম ফাওবগী কিলোমিতর ২ মখায়রোম শাংবা লম্বী অসি পাকথোকপগা মরী লৈননা য়ুম কৈ শোকহল্লবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মখোয়গী পীফম থোকপা ক্ষেত্রিপুরোন পীবীদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা ঙরাং মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা রেংপাং ওইল পম্প মনাক্তা পাঙথোকখ্রে। লম্বী পাকথোকপা অসিনা ইমুং ৬৮ হেন্না শোকহল্লে। ৱাকৎ খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মতিক চাবা সর্ভে তৌদনা লম খোপচিনবা য়ারোই, পীথোকফম থোকপা ক্ষেত্রিপুরোনশিং অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু হায়বা প্লে কার্দশিং পায়খি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** নোনে জিলাদা লৈরিবা মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম এন্তরপ্রাইজেসশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং সরকারনা পীথরিবা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবগী পান্দমদা এৱ্রেরনেস প্রোগ্রাম কম উদিয়াম রেজিস্ত্রেসন দ্রাইভ হায়বা থৌরম অমা ঙরাং জিলা অসিগী লোংমাই বজারদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ঈ পাফোর্মেন্স (রেম্প) স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি।

**ইদ্যুকেসনঃ** দিজিতাইজেসন অমসুং আর্তিফিসিয়েল ইন্তল্লিজেন্স অসি মহৈ মশিং তম্বগী করিকুলমগী শরুক অমা ওইরগনি হায়না কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল কাউন্সিল ওফ ইদ্যুকেসনেল রিসর্চ এন্দ ত্রেনিং(এন.সি.ঈ.আর.টি) লিংখৎখিবগী ৬৫ শুবা কুমওন থৌরমদা শরুক য়াবগা লোয়নননা মন্ত্রিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মগুন লৈবা শিক্ষা অমসুং করিকুলম শেমগৎনবা থৌরাংগা লোয়নননা পি.এম.ঈ.বিদ্যা মোবাইল এপ্লিকেসন অমসুং দিক্সা টু পোইন্ট জেরো হৌদোকখি। মন্ত্রিনা সমৃধ ভারত ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা শেমগৎনবা পান্দম থল্লিবা অসি মহৈরোইশিংবু অনৌবা ৱাখলোনশিং পুথোকবা পুকিং থৌগৎলবা মতমদতা ওইথোকপা ঙমগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ স্পিচ এন্দ হিয়ারিংনা অনৌবা ৱাখলোন পুথোক্তুনা অমসুং টেকোলোজি হেন্না ফগৎহন্দুনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না রাস্ত্রপতিনা দ্রৌপদি মুরমুনা ফোঙদোকখ্রে । কর্নাতককী মৈহিসুদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ স্পিচ এন্দ হিয়ারিংগী দাইমন্দ জ্বিলিগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা স্পিচ লেঙ্গ্যুএজ পেথোলোজি অমসুং তাবা ৱাৎপগী খুদোংচাদবা হীরমশিং কোকনবা রিসর্চ ইন্সটিট্যুটশিং, স্তার্ট অপ অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী হান্নগী মহৈরোইশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা সমস্যা অসি কোকনবা হোৎনগদবনি। রাস্ত্রপতিনা তাবা ৱাৎপা অমসুং ৱা ঙাংবা ঙমদবশিংগীদমক জাতিগী ওইবা পোলিসি অমা শেমবা হোৎনবদা ইন্সটিট্যুট অসিনা চাউরবা থৌদাং লৌগদবনি। কোক্লিয়র ইমপ্লান্ট ত্রিটমেন্টকী মতাংদা ভারত অসি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি। রাস্ত্রপতিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--মুরমু**

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক নিউ দেল্লিদা সেমিকোন ইন্দিয়া ২০২৫ হৌদোক্লগনি। নুমিৎ হুমি চত্থগদবা মীফম অসি নিউ দেল্লিগী য়াসোভুমিদা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি ভারত্তা হেন্না মগুন লৈবা, কুইনা চৎকদবা অমসুং হেন্না চাউখৎপা সেমি কন্দক্তর ইকো সিস্তেম অমা লৈহন্নবগীদমক্তনি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং সি.ঈ.ওশিংগী রাউন্দ তেবল মীফমদসু শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা লৈবাক ৪৮ গী মীহুৎ লিশিং ২,৫০০ রোম শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

স্পিকর সত্যব্রতনা গভর্ণর উনখিবা, থাদৌ ইনপী মণিপুরনা ভারত সরকার অমদি কুকি মিলিতেন্টশিংগা লৈনবা সু এগ্রিমেন্ট হন্দোক্কদবনি হায়না তকশিনখিবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা শোইদনা লাক্লগনি হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

স্পিকর সত্যব্রতনা গভর্ণর উনখিবা অনৌবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা ফোর্মেসন তৌবগীরা, শান্তি হঞ্জিনদ্রগদি মণিপুরদা প্রাইম মিণিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাকিংদ্রি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক মোর্নিং বেলগীসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর সেপ্তেম্বর ১৩ দা লাক্কদৌরি, গভর্ণরনা স্পিকর টি.ঐচ সত্যব্রত উনখ্রে, হয়েং দেল্লিদা কুকিশিংগা ৱারি শান্নগদৌরি হায়বা পাউ অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনাৈলবাক পাউচেদা- থাদৌ ফুরুপ্পু ওৎলিবসি তোকহন্দ্রবদি, থাদৌসু খূৎলাই পায়রকপা য়াই। কুকি মিলিতেন্টশিংগা লৈনবা সু এগ্রিমেন্ট খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়বা থাদৌ ইনপীগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমরোমদা, সুগী মখাদা লৈরিবা কুকি মিলিতেন্টশিংনা মণিপুরদা ইং ২০২৩ গী মে ৩ দা হৌরকখিবা ইরাং অসি থোকহনবনি হায়না থাদৌ ইনপী মণিপুরনা থমখিবা ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপ্র য়ুনিভর্সিতিগী সাইকোলোজি দিপার্টমেন্ট মতিক চারিব্রা, স্পিসিয়েলাইস প্রোগ্রাম অনিখক্তমক হাংলিবসি মণিপুরদা ওজা ওইবীনবা লৈত্রব্রা, দিপার্টমেন্ট অসিনা সবজেক্ট মখল শুনা হাংদবদগী তমিংবা মহৈরোই কয়া নিংবা কাইরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অফগানিস্তানদা মেগনিচ্যুট ৬ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে, ৮০০ হেন্না শিরে, লিশিং ২,৮০০ হেন্না শোক্লে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস প্রোগ্রেসিভ এলাইয়েন্স মণিপুরনা গ্বালতাবি এনক্বারি রিপোর্ট থাদোকপীনবা অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা তেক্তা কাইদনা চখোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবগা মরী লৈননা গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লাদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

কুকি সু গ্রুপ অমদি এম.ঐচ.এগী মরক্তা নৌনা সু এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনরবা য়ানা লৈরে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মহৈরোইশিংনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট মৈ থাদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুর নত্রগা ইম্ফাল খক্তগী ওইবা খোঙচৎ অমা লাকপীনবা ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিলনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তকশিনখিবগী পাউ- গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেপ্তেম্বর থাগী ওইনা নফসাগী চেং তামেংলোং মীয়ামদা ঙসি ফংহল্লগনি হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ চম পাউচেদা- মৈতৈ সি.এস.ওশিংনা থাদৌ লুচিংবা অমা তমথিনা হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**